# লালহৌলুপ ৩গী কাদর ৬ বিএসএফতা

# খুৎলাইগা কোন্ননা সরেন্দর তৌখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১ঃ* নাগালেন্দগী লালহৌলুপ অমা য়াওনা লালহৌলুপ ৩গী কাদর ৬ ঙসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী লোক্তাক্তা লৈবা ১১৬ শুবা বটালিয়ন বি এস এফকী টেক্টিকেল হেদ ক্বার্টরসতা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা স্পেসিয়েল দিজি বি এস এফ (ইষ্ট) এস আই ভি এন রাই (আই পি এস)তা খুৎলাইগা কোন্ননা সরেন্দর তৌখ্রে।

খুৎলাইগা কোন্ননা সরেন্দর তৌখ্রবশিং অদুদি য়ুএনএলএফকী চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতগী লিয়াম হোসিআম এলাইজ সিআমবোই, দিষ্ট্রিক্ট অসিমক্তদগী সেল্ফ ষ্টাইল সর্জন্ট মেজর পপাও, সেল্ফ ষ্টাইল সর্জন্ট মেজর এন গুনখোচোল এলাইজ ঙমসৈ, ইম্ফাল ৱেষ্টকী হৈনৌলোক্তগী সেল্ফ ষ্টাইল প্রাইভেট সৌবাম সোমেন এলাইজ নিঙাইদবা, এন এস সি এন (কে)গী তমেংলোংদগী সেল্ফ ষ্টাইল সর্জন্ট দিগাই এলাইজ দেবিদ অমসুং কে ৱাই কে এল (ও)গী সেল্ফ ষ্টাইল লেন্স কোর্পোরেল লাইশ্রম অকাং এলাইজ অবুনচা, তুমুখোংনি।

মখোয়না সরেন্দর তৌরকপদা লোয়নরকখিবশিং অদুনা থ্রি নোট থ্রি রাইফল ১, মেগজিন ১, নাইন এমএম পিষ্টোল ৩, মেগজিন ৩, চাইনিজ হেন্দগ্রেনেদ ২, রেদিও সেট ১, তোঙান তোঙানবা মখলগী নোংমৈ মরু ১৫নি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা স্পেসিয়েল দিজি বি এস এফ (ইষ্ট) শ্রী এস ঐচ ভি এন রাইনা সরেন্দরিশিংবু তরাম্না ওক্লদুনা ফোঙদোকখিবদা লমদম অসিগী লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম মহৌশাগা য়েংনবদা য়াম্না ফগৎলে। মসি মীয়াম অমসুং সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মরক্তা হেন্না অফবা মরী লৈনরকপদগীনি। মসিনা মরম ওইরগা লালহৌবা অমত্তা মহৌশাগুম মনিং তম্না লমদম অসিদা লৈবা য়াদ্রে। লালহৌবশিংনা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোকহন্নবা হোৎনরকপদা মাংজৌননা মীয়ামনা সেক্যুরিটিদা পাউ পীরক্তুনা পুন্নমকশিং অদু অরেম্বদা তাহল্লে। মসি মীয়াম্না সেক্যুরিটিশিংবু থাজবা থম্লকপা অমসুং মরী ফগৎলকপদনি।

লমদম অসিদা আমর্দ ফোর্সেস স্পেসিয়েল পৱারস এক্ট থম্বা অসিনা অফ ফত্তগী ৱাফমদা মখোয়গী ওইবা মত লৈতে। মখোয়দি ইনি দয়ান কন্সটিট্যুয়েসন্না শেন্বা লো অমগী মখাদা থবক তৌবনি। শেল্লিবা লোশিং অসিসু মীয়ামগী ফম্নবগী শেম্বনি। মখোয়না শেল্লিবা এক্ট লোশিং অসি মীয়ামগী য়াইফম্নবা থবক তৌবনি। সরকারনা অনৌবা লো অমা শেল্লবসু মদুগী মখাদা মীয়ামগীদমক্তা থবক তৌগনি।

ঙসি লান্না চৎলুরবা লমদম অসিগী নহা ৬ না মখোয়গী মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিল্লকপা অসিগীদমক থাগৎপা ফোঙদোক্লি। থোরক্লিবা নহাশিং অসিনা লৈহৌরিবশিংগী লমজিং মৈরা ওইদুনা মখা তানা লান্না চৎখ্রবশিং মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিল্লক্কনি হায়বা মহাক্কী মাইকৈদগী থাজবা লৈ। থোরক্লিবশিং অসিগী তুংগী পুন্সিগীদমক্তা মখোয়গীদমক মখোয়দগী পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি। মণিপুর সরকারগীসু রিহেব্লিটেসন সেন্টর হাংদুনা লৈরিবনি। বি এস এফ না লান্না চৎলুরবা মীয়ামশিং খুৎলাই থাদোক্তুনা চংলকপসি অৱাং নোংপোক লমদমগী ওইনা চহিসিদা ১৬ শুরে। শিল্লোং, ত্রিপুরা অমসুং কছারদসু সরেন্দরগী প্রোগ্রাম কয়া পাঙথোকখ্রে। অতৈ ফোর্সশিংগসু খুৎশম্নদুনা পাঙথোকপসু য়াওখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।